HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



ইম্ফাল ইষ্টকী য়ারল পাৎতা লৈবা মেগা মণিপুর স্কুলগী ১৭শুবা মপোক কুমওন অমসুং ফেলিসিটেসন থৌরম হৌদোকপগী মৈরা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থৌনাওজম বসন্তকুমারনা চুখৎপা

কাহুলোং প্রাইমারী স্কুল ৪৪ এ আরনা শেমজিন-শাজিনখ্রে
☛ লামায় ২

চাকথেকপী পার্টিগী 'ওল্লাং মৈশা' উৎখ্রে
☛ লামায় ৩

মালাগী ৩৫ শুবা ফাউন্দেসন দে কম ফেলিসিটেসন পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ৫

'লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈ'
☛ লামায় ৬

প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি, মণিপুর (পি পি সী এম) গী থৌমীশিংনা লৈঙাক্লা পীবা কাঙলোনশিং ঙাক্লিব্রা হায়দুনা দুকানশিংদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবা



Vol. 46, Issue No. 059 | য়ুমশকৈশা, কালেনগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, May 25, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# হিন্দি নমদুনা তম্বদি য়ারোই অদুবু লোল অসি তম্লগা ইংলিসকী মহুৎ শিন্দুনা মপান্দা চৎপদদি য়াম্না কান্নগনি ঃ মিনিষ্টর বসন্তকুমার

## 'হোম মিনিষ্টরনা হিন্দি তম্লবদি হেন্না কান্নগনি হায়বা নত্তনা কম্পলসরি ওইনা ইম্পোজ তৌরগনি হায়বা লৈত্রি, হিন্দি তম্লগা মণিপুরী লোল নমথগদবা লৈতে'

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) : হিন্দি নমদুনা তম্বদি য়ারোই অদুবু হিন্দি লোল অসি তম্লগা ইংলিসকী মহুৎ শিন্দুনা ঐখোয় মশেল লোল ফাওনবদা মণিপুরগী মনুং অমদি তোঙান তোঙানবা মপানগী মফমশিংদা চৎপদা য়াম্না কান্নগনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থৌনাওজম বসন্তকুমারনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী য়ারল পাৎতা লৈবা মেগা মণিপুর স্কুলগী ১৭শুবা ফাউন্দেসন দে কম ফেলিসিটেসন প্রোগ্রামদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, হোম মিনিষ্টরনা মহাক্কী স্পিচ পীবদা হিন্দি তম্লবদি হেন্না ফগনি হায়বা নত্তনা কম্পলসরি ওইনা ইম্পোজ তৌরগনি হায়না লৈত্রি। অদুবু হিন্দি তম্বা অসি কম্পলসরি নৎত্রবসু চাইনিজ, জপানিজ লোল তম্নরিবা অসিগুম্না তমসি হায়বনি হায়খি।

হিন্দি তম্লগা মণিপুরী লোল নমথগদবা লৈতে। খুদম ওইনা হৌজিক য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (য়ু পি এস সী) না লৌবা এগজামিনেসন থাবদা মণিপুরী লোলদা থাবা য়াহল্লি হায়খি। মসিদসু নত্তনা লৈরিবা লোকল বোর্দশিংদা ইশা ইশাগী লোল শীজিন্নৌ হায়দুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবসু লৈখ্রবনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরমগা মরী লৈননা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা মালেমদা লৈরিবা অচৌবা লৈবাকশিংনা এদ্যুকেসনদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা চাওখৎপা লমদম অমমম ওইহন্নবা হোৎনরি হায়রদুনা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংদা ওজাশিংনা লাইরিক খক তাকপীবগী মহুত্তা লাইশুসু তম্বীবা মতম ওইরে। লাইশু মতিক চানা খঙলবা মহৈরোয়শিংনা মতিং লৈবা মীওই অমমম ওইবা ঙমগনি হায়খি।

এদ্যুকেসনদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি এক্সপোজরনি হায়রদুনা মহৈরোয়শিংদা মরু ওইনা এক্সপোজর তৌহনগদবনি। মসি ঙম্নবগীদমকসু হোৎনগদবনি। তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংদা করি তম্বীরগা মার্ক ৱাংনা ফংলবা মহৈরোয় ওইবদা নত্তনা অফবা মীওই অমা করম্না ওইহনগনি হায়বসিসু নৈনবীয়ু হায়খি।

অসিগুম্বা তুংগী য়ুম্বী শেমগৎপগী থবক অসিনা এদ্যুকেসনগী অশেংবা মশকনি হায়রদুনা মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী চৎন-কাঙলোন, কলচর, স্পোর্টস, লমচৎ-শাজৎ অমদি থৌগল্লোন্নচিংবশিং অসিসু হান্নদগী লৈরম্লিবা ত্রেদিসনগা ইরোয়ননা মহৈরোয়শিংদা তম্বীগদবনি। মান্নবা মহিং অমদি মীপূম খুদিংগী ওইনা ইকোনোমিদা প্রোগ্রেস লৈহন্নবা হিন্দু, মুসলিম, খৃষ্টিয়ন খায়দনা মীওইবা খুদিংমক্কী ইকোনোমিগী ফীভম ফগৎহন্দবা য়াদে। খুন্নাই অসিদা হৌজিক মোরেল্লিটিগী থাক খরা ৱাংখৎলকপনা মোরেল সাইন্স অসি খরগা হেন্না তমহন্নীংই। মসিবু লৈহন্নবগীদমক অমগা অমগা চিংখাইনবা চঙই। লোয়ননা মহৌশাগী ওইবা খুদম ওইনা হৌজিক মালেম অসিদা হোংলক্লিবা অঙৈং অশা অমদি নোংজুগী ফীভম অসিসু মহৈরোয়শিংদা তম্বীদুনা মায়োক্নরক্কদবা খুদোংথীবশিং অদু করিনা ওইহল্লক্কদবনো অমসুং মতৌ করম্না থেংনগনি হায়বদুসু মহৈরোয়শিংদা খঙহনবা চঙই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মেগা মণিপুর সোসাইটিগী বি ও জিগী চেয়রপর্সনসু ওইরিবা রিটাইয়র্দ আই এ এস আর কে নিমাইনা ফঙ্কসনেল প্রসিদেন্ট ওইরগা বি ও জি অসিগী সেক্রেটরি ৱাংখেময়ুম দিনেস অমসুং মেগা মণিপুর স্কুলগী এস এম সীগী চেয়রপর্সন আর কে কিশোরনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম হৌদোকপদা স্কুল অসিগী ওজাশিংনা পেট্রিওটিক সোং শকপগা লোয়ননা থৌরমগী মনুং চন্না মহৈরোয়শিংনা থাঙ-তাগী দেমোন্সট্রেসন অমসু উৎখিবগা লোয়ননা থৌরমগী শৈরোই ঈশৈনা স্কুল অসিগী ক্লাস সভেন অমসুং আইটকী মহৈরোয়শিংনা শকখি। অদুগা ঙসিগী থৌরমদা শরুক য়ারখিবশিংবু স্কুল অসিগী ভাইস প্রিন্সিপালনা থাগৎ ৱাহৈশিং ফোঙদোকখি।

# চুড়াচান্দপুর পুলিসনা সমন পীবদা লাকখিদবা ডা. মার্ক দেল্লীদা ফারে

## ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অসিগী মথক্তা পুলিসনা মমাঙ চহীদা রেজিষ্টর তৌবা কেস ৪ চার্জ তৌরে



ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) : মমাঙ চহীদা মশামক্কী ফেসবুক একাউন্টদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং এক্টিভিটি খরনা মণিপুরগী হিল এরিয়াগী মনুংদা লৈরিবা কৌব্রু অমসুং থাংজিং চীংবু অরানবা মওংদা এনক্রোচ তৌশিল্লক্লবা হোৎনরে হায়বগা লোয়ননা মণিপুরগী চীংগী এরিয়াশিংদা এম এল আর এন্দ এল আর এক্ট, ১৯৬০ অমসুং মণিপুরগী মর্জর চৎনদে হায়না ফোঙদোক্লবদগী চুড়াচান্দপুর পুলিসনা ফেব্রুৱারী, ২০২১দা লৌখৎখিবা কেস অমগা মরী লৈননা পুলিস ষ্টেসন অসিদা লাক্লবা সমন নোটিস পীবদা লাকখিদবা চুড়াচান্দপুরদা বেজ তৌবা ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস এসোসিএসন (আই ঐচ আর এ) গী প্রসিদেন্ট ডা. মার্ক থাংমাং হাওকিপ ন্যু দেল্লীগী মফম অমদগী মণিপুর পুলিসকী টিম অমনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা ফারে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোলনোম ভিলেজদগী মশাগী চহী ৩৭ লোম শুরবা এম লিংখোসৈ হাওকিপগী মচানুপা অসি ঙসি ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা ন্যু দেল্লীগী কিষান গড়দা লৈবা হাওস নম্বর ৪২/৯গী সেকেন্দ ফ্লোরদগী ফারে হায়রি।

মহাকপু মণিপুর পুলিসকী টিম অদুনা ফাবা মতমদা মঙোন্দা ইস্যু তৌবা এরেষ্ট মেমোদনা সী ঐচ সোমোরজিৎ কৌবা সব ইন্সপেক্টর অমনা খুৎয়েক পীখি হায়রি। অদুগা মহাকপু ফাগৎখিবা অদুগী মরমনা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনননা মমাঙগী কুমজা ২০২১গী এপ্রিল, জুলাই অমসুং নবেম্বরদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা তোঙান তোঙানবা কেস এফ আই আর নম্বর ৩-৬০(৪)২০২১, ১০৮(৭)২০২১ অমসুং ২০৫(১১)২০২১গা মরী লৈননি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি হায়রি।

এরেষ্ট মেমো অদুদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

### তংনবা নুমিৎ শমদুনা লাইথৌ পাঙথোকপীয়ু

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) : হয়েং য়ুমশকৈশা নুমিৎ অসি কালেন থাগী ওইনা তংনবা নুমিৎ থোকপা মরম্না তংনবা অসি শম্লগা অয়ূক্কী পুং ৬তগীনা নুমিদাং পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা মফম ৪/৫দা লাই হরাওবগী থৌরম পাঙথোকপীরিবশিংনা চোন্থবা তৌদনা লাইগী থৌরম (লাইথৌ) শিং পাঙথোকপীয়ু হায়না ইন্টরনেসনল সলাই পুন্সিফমগী সলাই পুরেল প্রোফেসর এন জি কাংজিয়া মঙাংনা ফোঙদোরক্লি।

### সেক্সন ১৪৪ থমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) : ঙসি তেংনৌপলগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মচি সব দিভিজনগী খোইবু সেন্টরগী মফম পুন্নমক্তা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী সব সেক্সন ২গী মখাদা অথিংবা থল্লে হায়রি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# এম এল এ প্রেমচন্দ্রদা রিটন ষ্টেটমেন্ট পীরক্নবা চয়োল ৩গী মতম পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) : হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা ২৯-কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী বি জে পিগী টিকেটতা খ্বাইদগী নক্লবা জে দি-য়ুগী লম্বা অহন্থেম সঞ্জয়দগী শুপ্নতগী ভোট ৩৭২ হেল্লগা কারকখিবা এম এল এ সনসম প্রেমচন্দ্রগী মথক্তা জে দি -য়ুগী মীরেপ ওইখিবা কেন্দিদেট অসিনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৩ ওফ ২০২২ হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা অনীরক শুবা ওইনা লৌখৎতুনা ঙরাং খন্নখিবগা লোয়ননা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী অপূনবা রেসপোন্দেন্টশিংগী মনুংদা য়াওরিবা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ (এম এল এ সনসম প্রেমচন্দ্র) য়াওনা রেসপোন্দেন্ট ২দা মখোয় মখোয়গী 'রিটন ষ্টেটমেন্ট' শিং পীখৎলক্নবগী চয়োল অহুমগী মতম পীখ্রে।

### হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসনশিং

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা ঙরাং ইলেক্সন পিটিসন অসি অনীরকশুবা ওইনা লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল সর্টৌ টি কোমনা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা কুম্বী এ সীগী এম এল এ, এস প্রেমচন্দ্রগী মায়কৈদনা কাউন্সেল এন মহেন্দ্রনা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ২গী মায়কৈদনা কাউন্সেল অজয় পেবমনা লেপখি।

কোর্টনা পিটিস্নর অমসুং রেসপোন্দেন্ট অনীগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ অমসুং ২দা মখোয় মখোয়গী ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# মণিপুরবু হিল ষ্টেটনি লাউথোকউ, চপ মান্নবা লেন্দ লো চৎনহল্লু ঃ সিব সেনা

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) : মণিপুরবু হিল ষ্টেট অমনি হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা ষ্টেটসিদা লৈরিবা মীয়ামদা চপ মান্নবা লেন্দ লো চৎনহল্লু অদুগা হায়ৱেশিংদা লৌরিবা ইল্লিগেল টেক্স অমদি চথুরিবা ক্রাইমশিংগী য়েংলগা অথুবা মতমদা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্বীয়ু হায়না সিব সেনা, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপড়াদা লৈবা পার্টিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউজী মীফমদা মহাক্না হায়, মণিপুরগী মফম পুন্নমক্তগী অফস্পা পূমলৌ লৌথোকপীয়ু, ইম্ফাল জিরিবাম (এন ঐচ-৩৭) অসি শাংবগা লোয়ননা চীংগী লম্বীনা অয়াম্বা ওইবনা দ্রাইভরশিংনা গাড়ী থৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরে। অহলশিংনা চৎনরম্বা তোংজৈ মরীল হায়না খঙনবা লম্বীসিদা চৎলগদি ইম্ফাল জিরি লম্বী অসি কিলোমিটর খরদা ওইরবসু তেনশিনগনি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা তোংজৈ মরীলগী লম্বীবু নেসনল হায়ৱেগী থাক্তা ওনখৎনবা সিব সেনা, মণিপুরগী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গদকারিদা অইবা চেরোল পীশিল্লগনি হায়খি।

লোয়ননা মণিপুরদা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিং তুংকোয়না নুংশিননা লৈমিন্ননবা পোলিসি অমা শেম্বীয়ু। মচি মচিগী ওইবা ৱারেপ্পা কান্নরোই। লোঙ টর্ম পোলিসি অমা থম্বীবা চঙই। থাংজিং চীংদা লাই খুরুম্বা কাবদা অয়াবা য়াওদ্রবদি চঙবা য়ারোই হায়দুনা ফোঙদোরকখিবা অদু অকনবা মওংদা য়ানীংদে। মণিপুরগী চীং খুদিংমক হিংননবগীদমক্তনি হায়দুনা মরূ কোকথোল্লকপশিংনা মখোয়গী অয়াবা লৌদ্রবদি হায়রক্লিবা অসি কান্নরোই। চীংশিংগীদমক লৈঙাক্লা লোঙ টর্ম পোলিসি অমা শেম্বীয়ু। মহাক্কী পার্টিগী মায়কৈদগীসু মমাঙ চহীদগী হৌরদুনা উ চারাশিং থাবা হৌরবনি ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## শেঞ্জা থুমজা তৌরম্বদগী পঞ্জাবকী হেল্থ মিনিষ্টর বিজয় সিংলা মফম লৌথোকখ্রে, পুলিসনা ফারগা রিমান্দ লৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, মে ২৪ (এজেন্সী) : হন্দক্তা মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ৪গা পূন্না ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোকখ্রবা মতুং অনৌবা এ এ পিগী লৈঙাক লিংলকপা থা ২ খক্তা ঙাইরিবা পঞ্জাবতা হেল্থ মিনিষ্টর বিজয় সিংলানা মহাক্না পায়রিবা ষ্টেট অদুগী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী মখাদা পীবা টেন্দর পূন্নমক্তা চাদা ১গী চাংদা শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা কম্মিসন লৌরম্বগীদমক মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখিবদা নত্তনা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎপা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী কেস অমগা মরী লৈননা মহাক পুলিসনা ফারগা নুমিৎ হুমনিগী কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে।

পঞ্জাবকী অনৌবা এ এ পিগী লৈঙাক লুচিংলিবা চিফ মিনিষ্টর ভগৱন্ত মাননা থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মিনিষ্ট্রিদা য়াওরিবা কেবিনেট মিনিষ্টর বিজয় সিংলানা এ এ পি লৈঙাক্লা পঞ্জাবতা করপসনদা 'জেরো টোলরেন্স' লৈহনগনি হায়দুনা মীয়ামদা ৱাশক্লগা লৈঙাকপা হৌরকপদা ঙাইরিঙৈদা মহাক্লা পায়রিবা লোয়শঙ অসিগী মখাদা পাঙথোকপা টেন্দর খুদিংমক্তগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**HL Poll**

Q: Congresski maikeidagi CMgi mathakta complaint tourakle haiduna DGP, Manipurna case loukhatlakani thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q: Drugka mari leinaba casesinggi wayel athuba matamda loisinbana War on Drugsta mateng pangba oina thokloidra?

Yes 80% No 20%

# টি দি সীগী আপীল দিষ্ট্রিক্ট জজনা দিসমিস তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) : কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা হেদ ওফিস ওইদুনা মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার ওফ ত্রেদ য়ুনিয়নগী মখাদা রেজিষ্টর তৌরবা ত্রেদ য়ুনিয়ন অমা ওইরিবা ট্রান্সপোর্টরস এন্দ দ্রাইভরস কাউন্সিল (রেজিষ্ট্রেসন নম্বর ৯৭৯ ওফ ২০১৯) গী মায়কৈদগী কাউন্সিল অসিগী প্রসিদেন্ট সামোম গঙ্গা মীতৈ (৫৪) অপোকপা এস ক্বাকলৈ মীতৈ, কোন্থৌজম মনিং লৈকায়দা লৈবনা অপ্লিলেন্ট ওইদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট জজদা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস সিভিল আপীল নম্বর ১৬ ওফ ২০১৯ অদু কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা জুদিসল মিসেলিনস কেস নম্বর ৫ ওফ ২০২০ অমসুং ১৫ ওফ ২০২২গা পূন্না লৌখৎতুনা ৱায়েল চথুরবা মতুংদা ট্রান্সপোর্টরস এন্দ দ্রাইভরস কাউন্সিলগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস সিভিল আপীল নম্বর ১৬ ওফ ২০১৯ অদু দিসমিস তৌরে হায়না লাউথোকখ্রে।

মিসেলিনস সিভিল আপীল নম্বর ১৬ ওফ ২০১৯গা লোয়ননা জুদিসল মিসেলিনস কেস নম্বর ৫ ওফ ২০২০ অমদি ১৫ ওফ ২০২২বু পূন্না লৌখৎতুনা ৱায়েল চথুরগা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদু ঙরাং এ গুনেশ্বর, দিষ্ট্রিক্ট জজ ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টনা লাউথোকখিবনি।

কোর্টনা পীখিবা পূন্না লমায় ২৮ পানবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# শিরুই লিলি ফেষ্টিবেলগী সাইকল রেল্লি লমথাখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) : হয়েংদগী উখ্রুলদা হৌগদৌরিবা শিরুই লিলি ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা সাইক্লিং ফোর হ্যুমেনিটি অমদি মণিপুর টুরিজম দিপার্টমেন্টগা পুন্না খুৎশম্নরগা সেফ শিরুই লিলি হায়বা পাউজেল পুবা সাইকল রেল্লি অমা ঙসি ইম্ফালদগী উখ্রুল মায়কৈ তম্না খোঙশানখ্রে।

মীওই ৫০ রোম্না শরুক য়াদুনা চৎখিবা সেফ শিরুই লিলি হায়বা পাউজেল পুবা সাইকল রেল্লি অদু ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা কংলা নোংচুপ সনথোংদগী উখ্রুল ফাওবা সাইকল রেল্লি অমা লংথবাল এ সীগী এম এল এ করাম শ্যামনা লমথাখ্রে।

থৌরম অদুদা এম এল এ লৈসিও কৈশিং, টুরিজম দিপার্টমেন্টগী দিরেক্টর দল্লিয়ু ইবোহলনচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

সাইকল রেল্লি অদু লমথাবগা লোয়ননা এম এল এ করাম শ্যামনা হায়, ঙসি চৎখিবা সাইকল রেল্লি অসিনা মণিপুরগী চীং অমদি তমগী মরক্তা হেন্না নুংশিনবগী মরী শাগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। শিরুই লিলি কনসি হায়রবদি অকোয়বদা থারিবা উ-ৱাশিং য়াম্থুৎপা তোকপা মথৌ তায়। লোয়ননা মালেমগী ওইনা হৌজিক হোংলক্লিবা অইং-অশাগী খল অসি কায়হন্দনা থম্নবা হোৎনবগা লোয়ননা ঐখোয় ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# মীওই ২ দগী লুপা ক্রোর ৯ হেনবগী দল্লিয়ু ৱাই ফারে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) : তেংনৌপল পুলিসকী টিম অমনা ঙসি মোরেরোমদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা বোলেরো (এম এন ০৬ এল বি/৬৭১৫) খামদুনা চ্যেক তৌবদা ৱর্ল্ড ইজ য়োরস (দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট) কেজি ২২.৮বু তোঙান তোঙানবা ময়োম ২০ থোক্লা য়োল্লগা পুরম্বদগী ফারে।

দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটকা কোন্ননা ফারবা মীওই অদুগী মমিং সৈমিনলুন লৌভুম (২১) কৌই। মহাক মোরে ৱার্দ নম্বর ৯ দা লৈবনি। মঙোন্দগী ফারবা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ৪,৫৬,০০,০০০ রোমগী ওইগনি হায়রি।

অমরোমদা, তেংনৌপল পুলিস কাঙবু অসিনা অতোপ্পা বোলেরো (এ এস ০৯ এফ/৫৫৮৯) অমসু খামদুনা চ্যেক তৌবদা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কেজি ২২.৭ তোঙান তোঙানবা ময়োম ২০ থোক্লা য়োল্লগা পুরম্বদগী ফাগৎলে হায়রি। ফারবা মীওই অদুগী মমিংনা সোটিনলেন খোংশাই (৩৮) কৌই, ন্যু মোরেগী মোলহোই পার্ট ৩ দা লৈবনি হায়রি।

মঙোন্দগী ফারবা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট অদুগী মমলনা লুপা ক্রোর ৪,৫৫,০০,০০০ নি হায়রি। লোয়ননা মীওই ২ অসিদগী পুন্না ফাগৎখিবা টেব্লেটশিং অসি লুপা ক্রোর ৯.১১ রোমগী ওইগনি হায়রি।

# মিনিষ্টর লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোগী এসেটকী গ্রোস টোটেল ভেল্যু লুপা ৮০,৬১,৭৬৭ ওইখি

**মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎশিংগী লন-থুম খঙমিন্নসি -১৬**

**মিনিষ্টর এল সুসিন্দ্রো**

**খোমজিনবা- ডা. খাইদেম অথৌবা**



ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) : চহী অসিগী ফেব্রুৱারি অমদি মার্চতা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা ৩-খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী মীরেপ ওইদুনা মীখল থেংনবদা মায়পাক্তুনা সী এ এফ এন্দ পি দি অমসুং পি ঐচ ঈ দিগী লোয়শঙশিং পায়রিবা মিনিষ্টর লৈশাংথেম সুসিন্দ্রো (য়াইমা), ৩৮ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা খুরাই সাজোর লৈকায়দা লৈবা লৈশাংথেম ইতোচাগী মচানি। মহাক কুমজা ২০০১দা এন জি মনি কোলেজদগী হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন পাস তৌখি। মহাক্কী লোয়নবী লৈশাংথেম ওংবি বেমবেমনা স্পেসল ক্লাস গভর্ণমেন্ট কন্ট্রেক্টরনি হায়রি।

মীখলগী মাঙওইননা মিনিষ্টর লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা ইলেক্সনগী রির্টনিং ওফিসরদা পীশিনখিবা নোমিনেসন পেপরগা লোয়নখিবা এফিদেভিটকী মতুংইন্না মীখল মমাংদা মহাক্কী মখুৎতা শেল ওইনা লুপা ২,০০,০০০ লৈখি। মহাক্কী লোয়নবী লৈশাংথেম ওংবি বেমবেমগী মখুৎতনা শেল ওইনা লুপা ১,০০,০০০ লৈখি। মহাক্কী বেঙ্ক ওফ বারোদাগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৪ ফাওবদা লুপা ৪১,৫১২ লৈখি। অনীশুবা এস বি আইগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৪ ফাওবদা লুপা ১৫,৯৮৫ লৈখি। অহুমশুবা এস বি আইগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৪ ফাওবদা লুপা ১৯,৩৭,৬৯৯ লৈখি। মরিশুবা এক্সিস বেঙ্ককী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৪ ফাওবদা লুপা ৩,৬২৮ লৈখি। মঙাশুবা এক্সিস বেঙ্ককী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৪ ফাওবদা লুপা ৩,০৬১ লৈখি। তরুকশুবদা ঐচ দি এফ সীগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৪ ফাওবদা লুপা ৫৩,৯৬৬ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# নুমিৎ ১১নিগী মতুংদা পোজিটিভ কেস ১ থেংনরে

## এক্টিভ কেস ১ লৈরে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) : মমাঙ থাদসু অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদগী দিষ্ট্রিক্ট খরগী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ কেস থেংনদবা য়াওখ্রবা মতুং থা অসিগী ১৩দগী ঙরাং ফাওবদা নুমিৎ ১১নি চুপ্না কোভিদ পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনরক্ত্রবা মতুং হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী অনৌবা পোজিটিভ কেস অমা থেংনবদগী এক্টিভ কেস অমত্তা লৈরমদ্রবা মণিপুরগী হৌজিক কোভিদকী এক্টিভ কেস অমা লৈরে।

ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা বিষ্ণুপুরদগী ১, চান্দেল ৫, চুড়াচান্দপুর ১৮, ইম্ফাল ইষ্ট ২৬, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৭, ককচীং ৩, কাংপোকপী ৪, সেনাপতি ২, তমেংলোং ১, তেংনৌপল ২, থৌবাল ৮ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৪গী য়াওনা অপূনবা সেম্পল ১০১ টেষ্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# রাজ মেদিসিটিনা ক্বাথাদা ফ্রী হেল্থ কেম্প পাঙথোক্তুনা পেসেন্ট ২৫২ লায়েংখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) : ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সীদা লৈরিবা রাজ মেদিসিটি (24x7 ত্রাওমা ক্যের এন্দ ইমর্জেন্সি সর্ভিসেস) কী চ্যেরমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর হাওবিজম রাজেনগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ক্বাথা খুলদা নোংমগী ওইবা অনাবশিংবু লেম্না লায়েংবগী ৱান দে ফ্রী মেগা হেল্থ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌখিবা ফ্রী মেগা হেল্থ কেম্প অসিদা পেসেন্টশিংদা ওপষ্টেট্রিক্স এন্দ গাইনিকোলোজি, ওর্থোপেদিক্স, ঈ এন টি, জেনরেল মেদিসিন, জেনরেল সর্জরি পেদিয়াট্রিক্স অমসুং ন্যুরোলোজিগী পেসেন্টশিংদা লেম্না ও পি দি কন্সলটেসন সর্ভিস ফংহনখি। মসিগী মথক্তা পেসেন্টশিংদা ঈ সী জি, য়ু এস জি অমসুং লেম্না সুগর টেষ্ট তৌবগী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

**অস! লোইরেহে!**

- তামো, নুমিৎ তাদৌরে যুমফাওদা থিনবীরম্মুবা।



- মশকসু খঙনদে, অকোইবা নুপীসু লৈজদে, ঐখোয় যুমলোমদা হেক্তা পুখ্রগে।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫